
## কানাদাগী কোর্টকী ৱারেপ ৱাৱেনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



বৈজিং, মে ২৮ (এজেন্সী):
চাইনিজ কম্যুনিকেসন্স জাইন্ট ৱাৱেগী সী এফ ও মেং ৱাংজৌবু ৱায়েল চথনবগীদমক য়ু এসতা থারক্লবা ৱাশিংটননা হায়বা ৱাফম চৎনহনগনু হায়বদা য়াখিদ্রবা কানাদাগী কোর্ট অমগী ৱায়েলবু শগোলশেন নুমিৎতা চাইনিজ কম্পেনি অসিনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ৱাৱেগী ফাউন্দর রেং জেং ফৈগী মচানুপী মেং ৱাংজৌ অসি স্কাইকোম কৌবা সবসিদরি অমগী খুথাংদা মহাক্কী কম্পেনিনা তৌখিবা নমথাক্কী থবকশিংনা বেঙ্কশিংবু লান্না লমজিংদুনা য়ু এসনা ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিং খোঙ্গাওনখি হায়না মরাল শীরদুনা ৱাশিংটননা মহাক্কী মথক্তা ৱায়েল চথবা য়ানবা হোৎনদুনা লাক্লিবনি।

মেংগী এটোর্নিশিংনা মখোয়গী অরগুমেন্টতা য়ু এসনা ইরানদা অথিংবা থন্বদা কানাদা অসি পার্টি ওইদবা মরম্না মহাক্কী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদু কানাদাগী লোগী মখাদা ক্রাইম অমনি হায়না লৌনিংঙাই ওইদে হায়খি। তৌইগুম্বসুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পীখিবা রুলিংদা বৃটিষ্ট কলম্বিয়াগী প্রোভিন্সিএল সুপ্রিম কোর্টকী এসোসিয়েট চীফ জষ্টিস হিদর হোমসনা হায়খি মদুদি, মেংগী মায়কৈদগী পীরিবা দবল ক্রিমিনেলিটি এনলাইসিসনা বেঙ্কতা নমথাক তৌবা অমসুং অতৈ শেল-থুমগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা মপানদা ৱায়েল চথনবা থাবগা মরী লৈননা কানাদানা মালেমগী চৎনা কাংলোনশিংগী মখাদা তৌফম থোকপশিং তৌনবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহনবা পনখে অমা লৈহনগনি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী পাউখুম ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা ৱাৱেগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, ৱাথোক অসিদা মেংগী মরাল লৈরম্লোই হায়না ঐখোয়না মমাঙদসু হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি। জষ্টিস অমসুং ফ্রিদম ফংনবা হোৎনবদা ৱাৱেনা মতম চুপ্পদা মেংগীদমক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা লৈগনি।

কানাদাগী জুদিসল সিষ্টেমনা মেংবু শোইদনা মরাল লৈতে হায়বসি প্রুভ তৌরগনি। মহাক্কী উকিলশিংনা জষ্টিস ফংনবা চোকথবা নাইদনা হোৎনখিগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ওটাৱাদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনসু ষ্টেটমেন্ট অমদা কোর্টকী ৱারেপ অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না হিরম অসিগী মতাংদা কানাদা গভর্ণমেন্টতা ৱাকৎখ্রে হায়খি।

বাইলেটেরেল এক্সট্রাদ্রিসন ট্রিটিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নদুনা অমসুং মেং ৱাংজৌগী মায়োক্তা নম্ফুদা লৌখৎফম থোক্তবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা য়ু এস অমসুং কানাদানা চাইনিজ সীটিজন অসিগী লোনা য়ারবা রাইটশিং অমসুং অনীংবা অপান্বশিং খোঙ্গাওনবিরে। য়ু এসকী পান্দমদি ৱাৱে অমসুং চাইনিজ হায়-টেক কম্পেনিশিংবু নমথনবা হোৎনবনি অমসুং কানাদানা য়ু এসবু হিরম অসিগী মতাংদা শৌগৎতুনা থবক তৌরি হায়না চাইনিজ এম্বেসিনা ফোঙদোকখি।

## পুলিস ৭ হাৎখ্রে

কবুল, মে ২৮ (এজেন্সী):
নুমিৎ হুন্নিগী সিজফায়র লোইরবা মতুংদা থোকপা অহানবা মীশি মীনাগী মরু ওইবা থৌদোক ওইনা অফগানিস্তানগী ফরাহ প্রোভিন্সতা টালিবাননা চথখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা পুলিস পর্সনেল ৭ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী অহিংদা প্রেভিন্সিএল কেপিটেল সিটি ফরাহগী চিদাইদা লৈবা রিগি কৌবা ভিলেজ অমদা লৈবা সিক্যুরিটি চেক পোইন্ট অমদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা পুলিসকী মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদসু মীশি মীনা কয়া থোকখি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন মুহিবুলা মুহিবনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

চহী কয়ামুক প্রোভিন্স অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবানগী মরক্তা তোইনা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবনি। এটেক অদুগী মতাংদা টালিবানগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা কম্মেন্ট অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। টালিবান মিলিটেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা চৎনরকখিবা নুমিৎ হুন্নিগী সিজ ফায়র লৈবাকপোকপগী অহিংদা লোইখিবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকলিবনি।

## চাইনিজ পার্লিয়ামেন্টনা হোংকোং সিক্যুরিটি বিল এপ্রুভ তৌখ্রে



বৈজিং, মে ২৮ (এজেন্সী):
হোংকোংদা চৎনহনগদবা নেসনল সিক্যুরিটি লেজিসলেসন পাস তৌবগী ৱাফম শগোলশেন নুমিৎতা চাইনাগী পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

লেজিসলেসন অদুনা হোংকোংদা তোখায়না তানবা হোৎনরিবশিং, ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌহন্নবা হোৎনরিবশিং, টেররিজম অমসুং সিটি অসিদা মপান্দগী খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংশিং লাকশিনবা ঙল্লগনি হায়না চাইনানা থাজরিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চয়োলদা বৈজিংদা থৌরাং অদু লাউথোকখিবদা হোংকোংদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌনখি। সিটি অসিগী দেম্মোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিং অমসুং নোংচুপ লোমগী লৈবাকশিংনা লেজিসলেসন অদুনা মীয়ামগী নিংতম্বা মাংহনবগা লোয়ননা সিটি অসিনা গ্লোবেল ফাইনান্সিএল হব ওইনা লৌরিবা থৌদাংদসু অকায়বা পীরগনি হায়না কিনরিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা মেনলেন্দ চাইনাদা ক্রিমিনেলনি হায়না চিংনবা মীওইশিংবু ৱায়েল চথনবগীদমক এক্সট্রাদিসন তৌবা য়াহনগদবা লো অমা সিটি ওথোরিটিশিংনা পাস তৌনবা হোৎনখিবদা মীয়াম্না কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা থা কয়ামুক ক্রো-দেম্মক্রেসি দেমন্ড্রোট্রেসনশিং পাঙথোকখিবনি। চাইনাগী রব্বরষ্টাম্প পার্লিয়ামেন্টনি হায়নরিবা নেসনল পিপলস কোংগ্রেসকী মেম্বর ২৮৭৮না লেজিসলেসন অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখি। মেম্বর ৬তি ভোট লৌনবা অদুদা য়াওখিদে হায়রি।

## ভিয়েটনামিজ মাইগ্রেন্ট ৩৯ শিখিবগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন এজেন্সীশিংনা মীওই ২৬ ফারে




ব্রাসেলস, মে ২৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহীদা য়ু কেগী ইসেক্স কাউন্টিদা রেফিজরেটেদ লোরি অমদা শিরম্বা থেংনখিবা ভিয়েটনামিজ মাইগ্রেন্ট ৩৯ মীশিগী মরমদা থিজিল্লিবা য়ুরোপিয়ন এজেন্সীশিংনা ফ্রান্স অমসুং বেলজিয়মদা হ্যুমেন ট্রাফিকিং ওর্গনাইজেসনশিংগা মরী লৈনবনি হায়বা মীওই ২৬ ফারে হায়রি।

ইফে ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফ্রেঞ্চ পুলিসনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদগী মরুওইনা ভিয়েটনামদগী য়ু কেদা মী পুরক্লবা হোৎনরিবা স্মগ্লিং রিং অমগী মীওইশিংনি হায়না চীংনবা মীওই ১৩ ফাখি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ই য়ু)গী জষ্টিস এজেন্সী য়ুরোজরকী মতুং ইন্না অমগা অমগা শীন্নদুনা চথখিবা ক্রোস- বোর্দর রেদশিংদা বেলজিয়মদা অতোপ্পা মীওই ১৩ অমসু দিটেন্ট তৌখি। রেইদশিং অদু মরু ওইনা ব্রসেলস অমসুং পেরিসকী অকোয়বদা চথখি হায়রি।

য়ুরোজর অমসুং য়ুরোকোলনা শৌগৎতুনা চথখিবা ক্রোস-বোর্দর ইনভেষ্টিগেসন অমগী শরুক ওইনা মীওইশিং অদু ফাগৎখিবনি। হান্নদগী হৌনা য়ুরোজর অমসুং য়ুরোকোলনা য়ুরোপ্তা মী স্মগ্লিং তৌবগী ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিং শেন্নদুনা লাকখি।

কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবরদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী ইসেক্সতা রেফ্রিজরেটেদ ট্রেলর অমগী মনুংদা ভিয়েটনামিজ নেসনল ৩৯গী অশিবা হকচাংশিং থেংনখিবা মতুংদা য়ুরোপোলনা অসিগুম্বা মী স্মগ্লিংগী থবকশিং য়েংশিনবগী থবক হেন্না কনশিনখিবনি।

## অফ্রিকাদা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন হেনগৎলক্লি

অদিস অবাবা, মে ২৮ (এজেন্সী):
অফ্রিকাদা মরু ওইনা ইথিওপিয়াদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন কেসশিং হেনগৎলক্লি অমসুং ফিভম অসি থিংনবা হোৎনবদা টেষ্টিংগী অনৌবা ষ্ট্রেটিজি অমা চংনিংঙাই ওইরে হায়না শগোলশেন নুমিৎতা অফ্রিকা সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সগী মকোক্না ফোঙদোকখ্রে।

দল্লীয় ঐচ ওগী মতুং ইন্না কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন হায়রিবসি পেসেন্টশিংনা মপানদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈতবা নত্রগা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগা নকশিন্নখিবগী ফিভম লৈখিদবা কেসশিংবুনি হায়রি। দিটেক্ট তৌবা লৈতনা মীয়াম মরক্তা ভাইরস শন্দোকপগী ফিভম অসিনা হেল্থ ৱার্করশিংবু মীপায়হল্লিবনি। হৌজিক অফ্রিকাগী লৈবাক ৫০ মক্তা লাইচৎ অসি শন্দোক্লে হায়রি।

## বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা সটদাউন শাংদোক্তনবা ৱারেপ লৌখ্রে



ধাকা, মে ২৮ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্কা মরী লৈননা বংলোদশতা হৌজিক চথরিবা সটদাউন অমুক মখা তানা শাংদোক্তনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা মে ৩১দা লৈবাক অসিগী ওফিসশিং হাংবা য়াহল্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসননা ফরহাদ হোসাইননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লুদনা বি দি নুজ্য ২৪না হায়, ওফিসশিং অমদি অতৈ থবক মফমশিং হেল্থ অমসুং হায়জিনগী দিরেক্টিভশিং ঙাক্তুনা জুন ১৫ ফাওবা লিমিটেদ স্কেলদা ওপরেট তৌহনগনি।

বংলাদেশতা লোকদাউন মখা শাংদোক্লরোই। শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা নত্রবসু অমুক হন্না পায়খৎপা হৌরগনি। খোঙথাং অসিগা ইরোইননা মীয়াম্না হেল্থ দিরেক্টিভশিং ঙাক্তুনা লায়না তিন্নাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না পল্লদুনা হোসাইননা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনানা ৱারেপ অসি এপ্রুভ তৌরে অমসুং শগোলশেন নুমিৎতা ওফিসল ওর্দর অমা থোক্লগনি।

অহল ওইরবশিং, মশাদা লায়না পল্লবশিং অমদি মীরোনবী নুপীশিংদি ওফিসতা চংহল্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। বংলাদেশতা কোভিদ-১৯গী কেস খরা অহানবা ওইনা দিটেক তৌখিবা মতুং মার্চ ২৬তা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লোকদাউন চৎনহনখিবনি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন ৩৮,০০০ হেনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা শীহনখিবা মীগী মশিং ৫৫০ রোম শুরে। পেসেন্টশিংগী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লিঙৈ এপ্রিলগী অরোইবা শরুক্তা গভর্ণমেন্টনা রেদিমেদ গার্মেন্ট ফেক্টরিশিং অমুক হন্না থোং হাংহনখিবগা লোয়ননা অতৈ অথিংবা খরসু কোমথোকখি। অদুম ওইনমক পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমসুং এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিংদি গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌদ্রিবা ফাওবা মখা তানা থিংখিগনি হায়রি।

## ক্বারন্টিন থুগাইবশিং ফাইন থিহল্লগনি

ভোপাল, মে ২৮ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশতা কোভিদ-১৯গী হোম ক্বারন্টিনগী চৎনা কাংলোনশিং থুগাইবা মীওইশিং লুপা ২০০০গী ফাইন থিহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা থোকখিবা ওর্দর অমদা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা হায়খি, অনীরক শুবা ওইনা হোম ক্বারন্টিনগী চৎনা কাংলোনশিং থুগাইবগী মতাংদদি মীওই অদু ময়ুমদগী ক্বারন্টিন সেন্টর অমদা ওইনা লৈহনগনি।

সেন্টরগী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না লায়ওং উৎতবা কোভিদ-১৯গী কেসশিং অমসুং ইচম চম্বা লায়ওং খরা উবা মীওইশিং হোম ক্বারন্টিন তৌগদবনি। অহানবা ওইনা হোম ক্বারন্টিনগী চৎনা কাংলোনশিং থুগাইরিবা মীওই অদুদা লুপা ২০০০ ফাইন ওইনা থিহনগনি হায়না ওর্দর অদুদা পনখি। য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংফাওবদা মধ্যা প্রদেশতা কোভিদ-১৯গী কেস ৭২৬১ রিপোর্ট তৌখি অমসুং লায়না অসিনা মীওই ৩১৩ শিহনখি।

## মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা কোর্টনা য়ু পি গভর্ণমেন্টতা নোটিস ইশ্যু তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৮ (এজেন্সী):
উট্টর প্রদেশ মচাশিংবু অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা নমদুনা থবক থিহনবগী থৌওং লৈহন্দনবা তঙাইফদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা খঙহল্লদুনা এল্লাহাবাদ হায়কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা নোটিস ইশ্যু তৌখ্রে।

হায়কোর্টকী প্রেক্টিসিং এদভোকেট অনীনা ফাইল তৌবা পি আই এল অমগা মরী লৈননা জষ্টিস গোবিন্দ মাধুর অমসুং জষ্টিস রামেস সিনহাগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা ওর্দর অদু পাস তৌখিবনি।

উট্টর প্রদেশতা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিমগী মরমদা খঙহল্লক্লবা বেঞ্চ অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ওর্দর তৌখি। ষ্টেট অসিগী মীওইশিংবু লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা শুপ্পগী হিংনবগী পান্থে থিবা চৎনবগী থৌওং হন্থহনগদবা মপুং ফাবা থৌরাং অমা পুথোক্লবসু কোর্টনা গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা জুন ১ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা পাউখুম পীগদবনি। পিটিস্নরশিং ওইরিবা এদভোকেটশিং গৌরব ত্রিপাতি অমসুং রিটেস স্রিভাষ্টবনা মখোয়গী সবমিসনদা হায়খি মদুদি উট্টর প্রদেশতা থবক ফংহন্নবগী তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী মীওই লাখ কয়া হিংনবগী পান্থে থিদুনা অতৈ ষ্টেটশিংদা চৎনখি।

পিটিস্নরশিং অসিনা থাঙ্গৎলিবা অতোপ্পা ইশ্যু অমদি মাইগ্রেন্ট লেবররশিংনা গভর্ণমেন্টকী রেগুলেসন য়াওদনা ষ্টেট কয়াদা খোঙনা চৎনবগী থৌওং অসিনা মরু ওইবা টাউনশিং অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা কোরোনাভাইরস শন্দোকপদা মতেং পাংহনবসু য়াই হায়বসিনি। ৱাফম অসিবু লুনা লৌরদুনা বেঞ্চ অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী রিপোর্টতা হিরম অসিগী মতাংদসু পল্লক্লবা খঙহনখি।

## ‘ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ কেস চাদা ৮০ লায়ওং উৎতে’



ন্যু দিল্লি, মে ২৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেসশিংগী চাদা ৮০ রোমদি লায়ওং উৎতে নত্রগা অচম্বা লায়ওংশিং উৎলি হায়না শগোলশেন নুমিৎতা য়ুনিয়ন হর্স বর্ধননা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীগী ইন্টরভিয়ু অমদা হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা রিপোর্ট তৌরিবা কোভিদ-১৯ কেসকী চাদা ৮০দি পেসেন্টশিংদা লায়না অসিগী লায়ওং অমত্তা উবা ফংদে নত্রগা ইচম চম্বা লায়ওংশিং উবা য়াওই। পেসেন্টশিং অসি অয়াম্বনা কনফার্ম তৌরবা কেসশিংগী কনটেক্টশিংনি।

ঐখোয়না কনটেক্ট ট্রেসিং তৌরমদবা তারবদি অমসুং মখোয়বু গাইদ তৌদনা মরনাই নাইতোম লৈহল্লম্বা থোক্লবদি পেসেন্টশিং অসিদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি অতৈনা খঙনরমদবা য়াই হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা দল্লীয়ু ঐচ ওগী একজিক্যুটিব বোর্দকী চীফ খনখ্রবা হর্স বর্ধনদা ভাইরস কেরিয়রশিং ওইগদৌরিবা অমদি খুঙ্গংগী লমশিংদা লায়না শন্দোকপা ঙমগদৌরিবা লায়ওং উৎতবা পেসেন্টশিং অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ৱাবা লৈব্রা হায়না হংখিবদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, দল্লীয়ু ঐচ ওনা লায়ওং অমত্তা উত্তনা লেবরেটরিদা কনফার্ম তৌখিবা কেস খরা পনবা লৈখ্রে। অমরোমদা হৌজিক ফাওবদা লায়ওং উৎতবশিংদগী লায়না শন্দোকপগী কেসশিং ওফিসল ওইনা রিকোর্দ তৌবা লৈত্রি হায়বসিসু অচুম্বা ৱাফম অমনি। অদুম ওইনমক মহাক্না হন্দক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা কোভিদ-১৯গী লায়ওংশিংগী লিষ্টতা কোক চিকপা, মসল নাবা, মীৎ ঙাংলৈনরকপা, মনম ফাওরক্তবা নত্রগা মহাও মাংলকপা, হকচাং কন্না নিক্লকপা অমদি খনাও নাবগুম্বা অহেনবা লায়ওং খরা হাপচিনখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা লায়ওংশিং অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঐখোয়গী লিষ্টতা য়াওহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মখা তাবা ষ্টদি খরা চংখিগনি

মিনিষ্টরনা টর্গেটেদ টেষ্টিংদা মীৎয়েং থমদুনা কোভিদ-১৯গী কেস হেন্না দিটেক্ট তৌবা অমসুং লায়না অসি লায়না অসি লাকশিনবদা কান্নগনি হায়না ফোংদোকখি।

## পঞ্জাবতা কোভিদ-১৯ লায়েংবদা ফবগী চাং চাদা ৯১ ওইরে



চান্দিগর, মে ২৮ (এজেন্সী):
পঞ্জাবনা কোভিদ-১৯ লায়েংবদা ফবগী চাং চাদা ৯১ ওইদুনা লৈবাক অসিগী রিকোভরি রেট খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট ওইবতা নত্তনা চাদা ১.৩গা লোয়ননা ষ্টেট অসি লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিবগী চাং খ্বাইদগী নেম্বসু ওইরি।


ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সননা মরম ওইরগা শিখিবা অয়াম্বনা মশাদা হান্নদগী অরুবা লায়না চেনবশিংনি হায়রি। ষ্টেট অসিদা চহী ৫০ হেল্লবশিংগী মনুংদা থোকপা মীশি ৪০গী মনুংদগী মীওই ৩১ হায়বদি চাদা ৭৭তি অরোইবা থাক্কী কিদনিগী লায়না, কেন্সর অমসুং ঐচ আই ভিগুম্বা অরুবা লায়নাশিং হান্নদগী লোয়নরক্লবশিং অমদি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রবা দাইবেটিস অমসুং হায় ব্লদ প্রেসর লৈরবশিংনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী অনুরাগ অগরৱালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, হার্ট দিজিজ, হায়পরটেন্সন, দাইবেটিস অমসুং ওবেসিটিগুম্বা কুম লায়না মখলশিং অসি অতৈ পেসেন্ট চাদা ২৩দা হান্না নারল্লবা লায়নাশিংনি। হান্নদগী অসিগুম্বা অরুবা লায়নাশিংনা নারবা পেসেন্টশিংদা অয়াম্বা কোভিদ-১৯ মীশিশিং থোক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, পেসেন্টশিং অসি হান্নদগী য়াওরবা লায়নাশিং অসিনসু শিহল্লম্বা য়াই।

হৌজিক ফাওবদা পঞ্জাবতা পেসেন্ট ১৯১৮ লায়েংবদা মপুং ফানা ফরে। রিপোর্ট তৌখিবা অপুনবা কেস মশিংনা ২১০৬নি। লোকদাউন নীংথিনা চৎনহনবগা লোয়ননা সাইন্টিফিক, সিষ্টেমেটিক ওইনা অমসুং খরা কনবা মওংদা কনটেক্ট ট্রেসিং তৌবগী কান্নবা লৈরে হায়না পল্লদুনা অগরৱালনা হায়খি মদুদি, পঞ্জাবতা কোভিদ-১৯গী দল্লীং রেট হৌজিক নুমিৎ ১০০নি রোম ওইরে।

## কাশ্মিরদা আই ই দি য়াওবা কার অমা সিজ তৌদুনা মীশি-মীনা থোকহনখিদ্রে





স্রিনগর, মে ২৮ (এজেন্সী):
সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা এক্সপ্লোসিভস মরাং কায়না য়াওরবা কার অমা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মতম চানা থেংনহৌবদগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা অচৌবা টেরর প্লোট অমা মায় পাকহনখিদ্রে হায়রি।

কার অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কনভোই নত্রগা দিফেন্স ইনষ্টোলেসন অমদা টার্গেট তৌনবগীদমক্তা ষ্ট্রেটেজিক মফম অমদা থল্লম্বনি হায়না জে এন কে পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

এক্সপ্লোসিভশিং অদু কার অদুগী মনুংদা য়াওবা হিগোক মচুগী দ্রম অমদা হাপ্লগা থল্লম্বনি। শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা মফমদুদা বোম দিসপোজেল স্কৱাদ অমা চংশিনখি। মীয়াম্বু মফমদুদগী লাপ্না লৈহনখি। মদুগী তুংদা বোম দিসপোজেল স্কৱাদ অদুনা আই ঈ দি অদু গাড়ি অদুদা অদুমক পোকখায়হনখি।

ত্বিটরদা জেন এন কে পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা পুলৱামা পুলিস, সী আর পি এফ অমসুং আর্মিনা মতম চানা থবক তৌহৌবদগী আই ঈ দি য়াওবা গাড়ি অমা মতিক ময়াই লৈনা পোকখায়রমগদবদগী কনবা ঙমখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশাগী অহিংদা সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী রাজপোরাদা বেজ তৌবা সিক্যুরিটি ফোর্স কাংবু অমনা কার অমা খামখি। পুলিসনা চিংননিংঙাই ওইবা কার অমগী মরমদা হান্না থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংলবা মতুংদা কার অদু খামখিবনি। অদুম ওইনমক হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মিলিটেন্ট অমনি হায়বা কার অদুগী দ্রাইভর অদু অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারীদা জাইস-ঈ-মহমদকী টেররিষ্ট অমনা কার বোম এটেক চথুদুনা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৪০ হাৎখিবা লৈখ্রবনি।